# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা ইং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবগীদমক চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

২) আই.এম.দিনা লৈবাক অসিগী অৱাং অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা বির বাল দিবসতা প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার য়েন্থোক্কনি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা ইং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবগীদমক চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশামপাৎ লৈমাজম লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। লুপ অসিমক্কী মীওই অমসু ককচিং জিলাগী মনুং চনবা নোংমাইখোং অৱাং লৈকাইদগী ফারে। মঙোন্দগী দিতোনেতর য়াওদবা থার্তিসিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অমা, নোংমৈ মরু ১১১, দিতোনেতর অনি য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মন্ত্রিপুখ্রিদগী মীওই অমা হিরোইন গ্রাম ৩১০ গা কোন্ননা ফারে। মীওই অদুদগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমসু ফাগৎখি।

লোল(এল)ঃ হন্দক লোইশিনখিবা সংসদকী নিংথম মীফমদা ভারতকী কন্সটিট্যুসনেল লেঙ্গুএজ ২২ ঙাংবা অমসুং তাবা য়াহনখিবা অসিমকা লোক সভাদা লোল ফাওনদবগী নুংঙাইতবা লৈরিবা অদুগী অহোবা অদু মেনশিনবা ঙম্লগনি হায়রি।

কেন্দ্রগী হান্নগী শিক্ষা অমসুং মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হন্দক্তা লোইশিনখিবা লোক সভাগী নীংথম মীফম অসিদা রিজনেল লেঙ্গুএজশিং সভাদা চপ চাবা মফম অমা কনবা ঙম্বা হায়বসি ভারতকী পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা লারবা খুদম অমা ওইহৌরগনি। ডাঃ রঞ্জন্না হায়- হান্নদি লোল ১০ খক্তা খুদোংচাবা অসি ফংহল্লম্বনা মীয়ামগী খোল্লাউ কয়ামরুম তাহনবা ঙম্লমদে। মরম অদুনা লোল ২২ মক য়াহনবা হায়বসি লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলাগী লুচিং মখাদা লোক সভাগী ওফিসিয়েলশিংনা চোকথবা লৈতনা হোৎনবদগীনি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা থোকপা রিপোর্ট অমনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈচিল কুংনা থাগনি। সেনাপতি, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংগী মফম খরদা লৈচিল কুংনা থাবগী ফিভম মায়োকগনি।

আই.এম.দিনা লৈবাক অসিগী অৱাং অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি। দিল্লি, অসাম, মেঘালয়, হরিয়ানা, উত্তরাখন্দ, ছত্তিসগর, পঞ্জাব, বিহার, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং সিক্কিমদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

দিবস ঃ চহি খুদিংগী দিসেম্বর ২৬ অসি বির বাল দিবস হায়না পাঙথোক্লি। গুরু গোবিন্দ সিংহগী মপোক নুমিৎপু নিংশিংদু নুমিৎ অসি পালন তৌনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইং ২০২২ গী জনুৱারি ৯ দা লাউথোকখিবনি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা বির বাল দিবসতা

প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার য়েন্থোক্কনি। ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়- কুমশি চহিগী ওইনা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৮ দগী খনগৎলবা থোইদোক হেন্দোকপা অঙাং ২০ দা মনা অসি পীগনি।

মন্ত্রালয়না হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিসু থৌরম অসিদা অঙাংশিং অমদি নহাশিংদা ৱা ঙাংগনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেল অমদা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা গুরু গোবিন্দ সিংহগী নহা ওইরিবা মচানুপা মরি অজিৎ সিংহ, জঝার সিংহ, জোরাৱার সিংহ অমসুং ফতে সিংহনা মরৈবাক্কীদমক থৌনা লৈনা কৎথোক্কুনা লান্থেংনবা অদুবু নৌহৌনা নিংশিংহল্লি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী চাদা ৪০ দি নেচরেল ফার্মিং চত্থদুনা লৈরি। মধ্য প্রদেশকী রেৱাদা পাঙথোকপা লৌমীশিংগী মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- মহাক মশামকসু মশাগী লৌবুক্তা নেচরেল ফার্মিং তৌদুনা লৌউ পথাপ অসিনা পোত্থোক হেনগৎহল্লি হায়বসি খঙলে। মহাকা হায়- নেচরেল ফার্মিং তৌবনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবা, ঈশিং য়ামা চংহনদবা, রসায়নগী হার শিজিন্নবদগী ওইরকপা লায়না তিলনাদগী হন্থহন্দুনা লৌমী অমসুং সমাজ অনিমক্তা কান্নবা পীরি। শ্রী অমিত সাহনা মখা তানা হায়- চাওখৎপা ভারত অমা ওইবদা মতেং পাংনবগীদমক অসিগুম্বা মখলগী লৌউ পথাপ অসি শিজিন্নবগী হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মোহন যাদব অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রি রাজেন্দ্র সুক্লা য়াওনা অতৈ মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা এন্তি টেরর কনফরেন্স হৌদোক্কনি। নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মীফম অসি ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা শিনবনি।

বঙ্গলাদেশ ঃবঙ্গলাদেশকী মহামদ য়ুনুসকী মরক্কী সরকারনা হায়রি- মথং চহিগী

ফেব্রুৱারি ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী মীখলদা অৱামি লিগ শরুক য়াররোই। সরকারগী চীফ এদভাইজরগী প্রেস সেক্রেতরি সফিকুল আলমনা হায়- অৱামি লিগকী দলগী ওইবা থবক থৌওংশিংদা অথিংবা থম্বা অমদি রেজিষ্ট্রেসন ককথৎপনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা শরুক য়াররোই।

নিংশিংবা য়াই, অৱামি লিগকী লুচিংবী অমসুং বঙ্গলাদেশকী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি শৈখ হাসিনাবু লৈবাক অদুদগী তাঙ্হোকখ্রবা মতুং মফম অদুদা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোকপা লৈখ্রে অমদি ভারতনসু মখোয়গী এম্বেসি মতম খরা থিংজিনদুনা চেকশিন থৌরাং লৌরি।

অমরোমদা চহি ১৭ লৈবাক অদুদা চংবা য়াদনা লৈরক্লবা বঙ্গলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্তিকী এক্তিং চেয়ারমেন তারিখ রহামনসু মীখলগী মাংওইননা ঙরাং ধাকাদা থুংখ্রে।

মরক অসিদা, লৈবাক অদুদা হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা বঙ্গলাদেশকী রাজবারি জিলাদা মীওই অমা মীয়াম চংদুনা ফুবদা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অদু অমৃট মুন্দাল কৌই। মফম অদুদা লৈবা মীওইনি।

পংসা সার্কলগী এসিষ্টেন্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা হায়- পাউ হেক ফংবগা পুলিসনা মফম অদুদা চংশিনবদা মীওই অদু য়ামা অরুবা ফিভমদা থেংনখিবনি। মহাকপু খুদক্তা পংসা উপাজিলা হেলথ কমপ্লেক্সতা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুবু মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি।

য়োজনা ঃ ভারতকী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা অমসুং খুঙ্গংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবগী থৌরাং প্রধান মন্ত্রি গ্রাম শরক য়োজনা চহি ২৫ মপুং ফাখ্রে। ইং কুমজা লিশিং অনিগী দিসেম্বর ২৫ দা খুঙ্গংগী লমগী লম্বী থোং ফগৎহনবগা লোয়ননা চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা য়োজনা অসি হৌদোকখিবনি। য়োজনা অসি হেক হৌদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা কিলোমিতর লাখ ৮ লিশিং ২৫ হেনবা খুঙ্গংগী লম্বীশিং শেমবা থৌরাং তৌখিবনি। হৌজিক কিলোমিতর লাখ ৭ লিশিং ৮৭ শাংবা লম্বীদি শেম্বা লোইশিনখ্রে।

নক্সলাইট ঃ কেন্দ্র সরকারনা উরিষা অসি নক্সলাইট লৈতবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা

কন্না হোৎনরি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

নক্সলাইট লৈতবা ভারত অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা খোঙথাংগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী সাহনা হায়- উরিষাগী কনমল অমসুং গঞ্জম জিলাগী লোন্নবা মফমদা চথ্খিবা ওপরেসন অমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেন্ত্রেল কমিতিগী মেম্বর গনেশ উইকে য়াওনা নক্সলাইটকী মীওইশিং হাৎপা ঙমখ্রে।

উরিষাগী দি.জি.পি য়োগেস বহাদুর খুরানিয়ানা হৌজিক চথরিবা ওপরেসন অসিগী মতাংদা পাউমীশিংদা হায়- সেন্ত্রেল কমিতিগী মেম্বর গনেশ উইকেগী মথক্তা সরকারনা লুপা কোতি ১ লাখ ১ হেনবগী মনা লৈখ্রে। উরিষা পুলিসনা মফম অদুদা হৌজিকসু মখা তানা ওপরেসন চথ্খিগনি।

তাঞ্জানিয়া ঃ নোর্দন তাঞ্জানিয়াগী মাউন্ট কিলিমানজারোদা হেলিকোপ্তর কায়বদা মীওই মঙা লৈখিদ্রে। তাঞ্জানিয়া সিভিল এভিএসন ওথোরিতিনা হায়- হেলিকোপ্তর অদু বরাফু কেম্পকী মনাক্তা পাইথরকখিবনি। হেলিকোপ্তর অদু মেদিকেল রেস্ক্যু মিসনগীদমক চৎখিবনি। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা পাইলোত অমা, ডোক্তর অমা, মাউন্টেন গাইদ অমা অমসুং মপান লমগী লম কোয়বা মীওই অনি য়াওরি। আফ্রিকাগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীং মাউন্ট কিলিমানজারো অসি চহি খুদিংগী মীওই লিশিং ৫০ হেন্না চাংকাবা লাকবা মফমনি।

লান্মী ঃ ভারত লান্মীগী পার্সোনেলশিংনা সোসিয়েল মিদিয়া এপ্লিকেসনশিং শিজিন্নবগী মতাংদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিংগী হুকুম অমা থোকখ্রে। ওর্দর অসিগী মখাদা আর্মি পার্সোনেলশিংনা ইন্সটগ্রামদা কম্মেন্ট পীবা য়ারোই। স্কাইট, ৱাটসএপপ অমসুং টেলিগ্রাম অমসুং সিগনেলদা অনক্লাসিফাইদ ইনফোর্মেসনশিং পীনবদা অথিংবা লৈগনি।

------